# থম্মোইগী ওইবা নুংশিবাদি কৈদৌনুংদা ফৈজে চৎলোই ...'নুংশি ফৈজে'





## সুর মৈতৈ

এ দ্রিম ইন্টরটেনমেন্ট বেন্নরনা প্রদক্সন তৌখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'নুংশি ফৈজে' হায়রিবা ফিল্ম অসি হৌজিক মীয়াম্না পাম্না য়েংনবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। জি এস ননাওগী ষ্টোরিদা আর বি অতোমনা প্রদ্যুস তৌদুনা পুথোকপা 'নুংশি ফৈজে' হায়রিবা ফিল্ম অসিবু চৌ ইন লাইনা নিংথিনা হিমায় চুমখিবা (দিরেক্সন পীখিবা)ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা নাওথি অমদি চাইবা অনীনা এসিষ্টটেন্ট দিরেক্তর ওইনা ব্রার্ক তৌখি।

আই এস টি ভি না প্রজেন্ট তৌদুনা পুথোকপা 'নুংশি ফৈজে' অসিদা বোনিনা আই এস টি ভি দা রিপোর্টর মৈরাবগী শক্তম, ইবোমচানা মৈরাবগী মরুপ নিংথৌগী শক্তম, মুকল্লানা গৌব্রাটিদা পাউ থাবা চাউরেনগী শক্তম, খাবা নুংশিবদা ঙাওবা নাওবগী শক্তম, মংলেমনা মালেমঙানবীগী মপাগী শক্তম, ইধৌনা মণিপুরদগী পাউ লৌদুনা গুব্রাহাটিদা পাউ য়োনবা অমগী শক্তম, প্রিয়ানা শকহেনবীগী মমাগী শক্তম, সোমানা মহেন্দ্র সো রুমগী মেনেজর শকহেনবীগী শক্তম, বিজুনা দুকান তৌদুনা হিংবা মালেমঙানবীগী শক্তম অমদি ইথোইনা শকহেনবীগী মনাওনুপী থোইগী শক্তম লৌদুনা মাগী–মাগী ওইনা রোলশিংদা থব্রায় হকচাং লুপ্পা এক্ট তৌবা উবা ফংই হায়রগসু ফিল্ম অসি মপুং ফানবা হোৎনবদা মীয়াম্নদি ফিল্মদা শক উবা ফংদবা চাউরবা থৌদাং কয়া লৌরিবা মীওইশিংদি কেমেরাদা জয়কিষন, এসিস্টেন্ট কেমেরাদা ব্রোজেন অমদি চাউবা, ষ্টিলদা রজিব অমদি জোন, স্ক্রিনপ্লেদা চায়বা, কোরিওগ্রাফতা বেবিচা সলাম, প্রদক্সন মেনেজরদা মচা কে, লিরিক্সতা পরেস লাইশ্রম অমদি লাইশ্রম কেনেদি, শৈশকপা–শৈশক্লিবনা সুরমা, খাবা অমদি বিশো, মেকপ্তা সনাথোই দল্লিয়ু অমদি ইদিটিংদা জয়কিষন হায়রিবশিংসিনি।

তাইবং শেম্বা মপু ফাওবা শোয়দবা ঙমদে, মীওইবা ঐখোয়না শোয়বদি থোইনা ঙক্লিংঙাই ওইদে। ঙাকপীবা হায়বসিনা অথোইবা গুন্নি। নুংশিবা হায়বসিনা পুন্নমক্কী হিদাক্লি অমদি প্রোব্রেম খুদিংমক্কী সোলুসনসু ওইরিবনি। হায়রিবা রোমান্স অমদি কোমেদিদা মপুং ওইনা শাগৎপা ব্রারী অসিবু মচু তানা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসি নিংথৌগী লুহোংবা লাকখিবশিংগী মনুংদা মৈরাবা, নাওবা, মালেমঙানবী, থোই অমদি শকহেনবীসুনি। নুমিৎ অসিদা শকহেনবীবু নাওবনা অমদি মালেমঙানবীবু মৈরাবনা থম্মোয়দা খোইদাজখি। মৈরাবনা নুংশিজরিবী মালেমঙানবীদি মৈরাবনা ব্রো হায়না কৌজবা মখাতাবা (মনাও) চাউরেনগা নুংশিনজবীনি। লুহোংবা নুমিৎ অদুদা নাওবগী মওং মতৌ কয়াদা থোইনা শাওবতা নত্তনা লম্মন খুম্নিংবগী অপাম্বা ফাওখি।

নাওবনা নুংশি–নুংওলগী লমদা হৈথোই–শিংথোইরবা ইধৌগা তান্নরগা নুংশি হায়না ফোঙদোকপা চিঠি অমা ইদুনা শকহেনবীগী মফমদা থাখি। শকহেনবীনা চিঠি অদু শোগাইদুনা লংথোকখি। চিঠি অদু কনানা থারকপনো হায়বা থোইনা খঙলদুনা লম্মন খুমগে খন্না লৈরকখিবা মতাং চারে খন্না মচে শাদুনা চিঠিদুগী পাউখুম নুংশিনা পীখি। নাওবনা থারকপা স্নাগী লিক, চিঠিগী মরোলশিং অমদি খুদোল কয়াদা থোইনা নাওববু নুংশিরকখি। অদুবু অশেংবা হায়দোকপা ঙমখিদে। নাওবনা লাক্কনি হায়বা খঙলবদা চোপ্পবা তারে হায়দুনা পীরকখিবা লিক মচেদা শিজিনবিখি। নাওবা শকহেনবীগা থেংনরবদা শকহেনবীনা নাওববু শকখঙখিদে। অশেংবা খঙনরক্লবা মতমদদি থম্মোয় পাউ ফাওনখিবা থোই অমদি নাওবগা অমত্তা হায়বদু ওইখি।

নাকল অমরোমদা মালেমঙানবীবু খোইদাজরিবা মৈরাবনা মালেমঙানবীগী ফোন নম্বর নিংথৌগী মতেংনা লৌবা তাখি। নিংথৌনা মহাক্কী নুপীদা মালেমঙানবীগী নম্বর লৌনবা হায়খি। নোংমা নিংথৌগী ময়াম্বনা মহেন্দ্র সো রুমদগী গারী অমা লৌনবা কন্টেক নম্বর লৌনবদা মেনেজর ওইরিবা শকহেনবীগী নম্বর পীরকখি। নম্বর অদু চেজেৎ অমদা ইশিন্দুনা টেবলদা থল্লমখি। হায়রিবা নুমিৎ অদুমক্তুদা মালেমঙানবীগী ফোন নম্বর নিংথৌগী নুপীদা ফোন তৌদুনা নম্বর অদু টেবলদা লৈরম্বা চে মচেৎ অমদা ইশিনখি। চে অদুগী নাকল অমদনা শকহেনবীগী ফোন নম্বর অমদি নাকল অমদনা মালেমঙানবীগী নম্বর নি। নিংথৌনা মৈরাবদা মালেমঙানবীগী ফোন পীবা মতমদা ওন্ননা শকহেনবীগী নম্বর ওইনা পীখি। ফোন তৌরুবা মতমদা শকহেনবীনা মৈরাববু ফেস বুক্কী মতেংনা মশক খঙবা ঙমখি। শকহেনবীনদি মহাকপু মশক খঙনা তৌরকপা ওইনা খনখি। মৈরাবনা মহাকপু নুংশিবী হায়না মিঙ্গৌখি। মৈরাবনা থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা, তৌথোরকপা মতৌ কয়াদা শকহেনবীনসু মৈরাববু নুংশিরকখি। অদুবু কোনথংদদি মৈরাবনা মহাকপু মশক খঙদে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মালেমঙানবীগা হকথেংননা উনরবা মতমদনা মৈরাববু মালেমঙানবীনা মশক খঙদে হায়রকখি। চাউরেন অমদি মৈরাবনা মালেমঙানবীবু নুপা অনী কোয়বা অহেনবা পাম্বা নুপীনি হায়খি। মখোয় অহুমগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া থোকখি। নিংথৌগী মতেংনা অশেংবা করিনো খঙনরবা মতুং মৈরাবা তুং হনবা তাখি। চাউরেন অমদি মালেমঙানবী অমত্তা হায়বদু ওইখি।


থৌক্লিবা থৌদোক খুদিংমক নিংথৌনা থোকহনবদি হায়দুনা শকহেনবীগী মফমদা শোয়খ্রে লানখ্রে হায়নবা নিংথৌবু মৈরাবনা থারকখি। মৈরাবনা শোরি হায়বা ব্রাহৈসি হায়রদি ঙাকপীগে খন্না পাউদমখি। মৈরাবা অমদি শকহেনবী ফোনদা পাউ ফাওনবদা লাল্লে হায়রক্কদ্রা খল্লুবা মতেং ওইনা নিরকপদা শকহেনবী আশা অমা কায়খি। ইকাই পীরগে খন্না নুংশিবা শাদুনা মহেন্দ্র সো রুমদা থবক কৌই মদুদা য়াওনবা হায়রকপদগী নুংশিরুবনা হায়রকপা ওইবনা ব্রাফম অদু ইন্দুনা মফম অদুদা থবক তৌখি। শকহেনবীনা মতম লৈবা খিবিক্তা মহাকপু নুংশিনবা লাল্লোং কয়া য়াৎলি। মৈরাবনা নুংশি হায়রকপা মীৎকুপ্তা ইকাইবা পীগে হায়না খল্লম্বা কয়া মৈরাবনা শকখঙদবী নুংশিবীবু থম্মোয় শেংনা নুংশিখিবনা ইকাইবা পীবগী মহুত্তা থম্মোয়গী অশেংবা নুংশিবা মশক খঙলদুনা হেন্না নুংশিবা ফাওরকখি।

মৈরাবা মহাক্কী নুংশিবীগী মনাক্তা চৎপা মতমদা নুংশিবী হায়রিবা মীশক অসি কনানো হায়বা খঙবা ঙমখি। কনানা কনানো হায়বা খঙনরবদা মখোয় অনীসু অমত্তা হায়বদু ওইদুনা নুংঙাইবা তাঙ্কক্তা ফিল্ম অসিগী অরোইবা তাঙ্কক ওইখি।

ফিল্ম অসিগী ব্রারী পরিংগা 'নুংশি ফৈজে' হায়না মিংথোল্লিবা অসিগা য়াম্না চান্নবা মিংথোল্লি। নুংশিবগী মায়োথোংদা ফৈজে ফনা চৎলবসু থম্মোয়গী ওইনা নুংশিবদি কৈদৌনুংদা ফৈজে চৎলোই, লম্মন খুম্নিংবা কয়া নুংশিবগী মমাঙদা মায়থিদুনা লৈহৌই, থম্মোয়গী অশেংবা নুংশিবদি অরং–অরাক্কা মরী লৈনদে। অরং–অরাক্কা মরী লৈননা নুংশিবা অদুদি অহেনবা থিবা ওইনা থোক্কনি হায়বা পুন্সিরোলগী ব্রাফম কয়াবু ফিল্ম অসিনা মীয়ামদা নোক্লা নোক্লা পাউদল্লি। ফিল্ম অসি য়েংবদা বোরিং চুবা হায়বদু ওইখিদে। য়াম্না নিংথিনা রোমান্স ফিল্মদা কোমেদি ওইনা পুথোকপদা মীয়াম্না পাম্না য়েংনবসি রাইটরঅমদি দিরেক্তরগী চাওরবা মায় পাকপা অমনি হায়নিংই। লোয়ননা ফিল্ম অসিদা চেন–চোং মিন্নরিবা পুন্নমক্কীসু হোৎনজমন মায় পাকপনি হায়নিংই।








Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*